## ঙা ফাফম মফম খরা ইজরেলনা থুগাইখ্রে

জেরুসালম, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
পেলেস্টিনিয়ন ইনক্লেভতগী বেলুনশিং শীজিন্নদুনা জ্যু ষ্টেটশিংদা অমাং অতা থোকহনখ্রবা মতুং গাজাদা লৈবা ফিসিং জোনশিংগী শরুক তঙ্খাই অমা হেন্না ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা থুগাইখ্রে হায়না দিফেন্স ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গাজা ষ্ট্রিপতা লৈরিবা ঙা ফাফম শরুক অসি কা হেন্না চাওবনা মরম ওইরগা পেলেস্টিনিয়ন খরনা ইলিগেল ওইবা মওংদা জ্যু ষ্টেটশিং তম্না অরানবা থবক থৌওং কয়া চথনবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। ইজরেলগী গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা জ্যু ষ্টেটশিংদা মৈ হাপ্পা বেলুনশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখিবা অদুগী মতুং ঙা ফাফম খরা থুগাইনবা ফিরেপ অদু লৌখিবনি।

গাজাদা লৈরিবা পেলেস্টিনিয়ন রেবেল গ্রুপ হমাজনসু ইজরেল তম্না এটেক কয়া চথবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। গাজা ষ্ট্রিপতগী হমাজ রেবেলশিং তকথোক্লবগীদমক নুমিৎ ১১ নি চুপ্পা ইজরেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা এটেকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র লৈহনখিবনি। অদুমওইনমক ইজরেলগী মায়কৈদগী হমাজ রেবেল গ্রুপ মপুং ফানা তকথোক্লিবা ফাওবা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা হন্থরক্লে

জোহন্সবর্গ, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকাদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অহুমশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা তপ্পা তপ্পা হন্থরকখিবগা লোয়ননা হান্না থল্লম্বা অথিংবা খরা কোমথোক্লগনি হায়রি।

লৈবাকঅসিগীপ্রসিদেন্টসিরিল রামাফোসানা ফোঙদোকখিবদা সাউথ অফ্রিকাদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লে। মমাং চয়োলগা য়েংনরুবদা হন্দক চয়োলনা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং চাদা ২০ গী চাংদা হন্থরকখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা হন্না থল্লম্বা অথিংবা খরা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

লৈঙাক্লা অথিংবা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবশিং অদুগী মতাংদা অলকোহোল য়োনবগী থবকসু য়াওরি। লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস অসি য়াম্লবদা ১২,০০০ দগী হেন্না থেংনদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মী য়াম্না পুনবদা অথিংবশিং থল্লমখিবা অদুসু কর্নিদসন খরদা কোমথোক্লগনি হায়রি।

## ইলেক্সন রিজল্ট কেন্সেল তৌখ্রে

য়াঙোন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
মমাং চহী ২০২০ দা ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা ওং সান সু চিগী পার্টি এন এল দিনা চাওনা মায় পাকখিবা অদুবু মিলিটরি জুন্টানা ঙসি কেন্সল তৌখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন প্রোসেসকী মতাংদা থিগৎলুবদা অরানবা কয়া তৌরম্বা থেংনরে হায়না জুন্টাগী ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোরক্লি।

কম্মিসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুগী মতাংদা থিজিল্লুবদা সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি পার্টিনা অরানবা থবক কয়া চথরমখিবগী খুদম মিলিটরি জুন্টানা ফংলে। মরম অদুনা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রিজল্ট অদু কেন্সেল তৌখিবনি। কম্মিসনগী চেয়রমেন থেন সোনা ফোঙদোকখিবদা সু চিগী এন এল দি পার্টিনা অতোপ্পা পার্টি অমগী কেন্দিদেটশিংবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অথিংবশিংগা মরী লৈননা অকিবা কয়া পোকহল্লমখিবগী থৌদোক চথখি।

মসিনা তাকপদি এন এল দিনা ম্যান্মারদা লৈঙাক পায়নবা হোৎনবদা অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংদা অকি অখং পোকহনখি হায়বনি। মরম অদুনা ইলেক্সন রিজল্ট অদু তঙাইফদনা কেন্সেল তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক ইলেক্সন রিজল্ট কেন্সেল তৌখ্রবা মতুং অমুক হন্না লৈবাক অদুদা ইলেক্সন তৌগদ্রা হায়বগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈখিদে।

# অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু মতেং পাংবা ওইনা য়ু এসনা মখা তানা এয়রষ্ট্রাইক চথখিগনি

কাবুল, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা টালিবান ফাইটরশিংগা মায়োক য়ানবা হোৎনরিবা অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা মখা তানা এয়রষ্ট্রাইক চথখিগনি হায়না আর্মী ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা মে থাদগী হৌরগা য়ু এসনা অফঘানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা থনম্বা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোকপগী থবক হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চথদুনা লৈবাক অদুগী অয়াম্বা শরুক ওকুপাইদ তৌবা হৌখ্রে। টালিবাননা অফঘান লৈবাক পুম্বা মখোয়গী খুবামনুংদা থম্বা পাম্লি। অদুমওইনমক টালিবাননা মঙলিবা মঙলান অদুদি কৈদৌনুংদা মঙফাওনরোইদবা অমনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী মতেং পাংবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথবা হৌখ্রবনি। মখা তানসু টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিগনি। টালিবাননা হৌজিক হৌজিক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা এটেক চথদুনা



প্রোভিন্সশিং লৌশিন্নবা হোৎনবগী থবক লেপত্রিবা ফাওবা য়ু এসকী এয়রষ্ট্রাইকসু লেপ্পা লৈরোই হায়না য়ু এস আর্মী সেন্ট্রেল কম্মান্দগী মকোক থোংবা জেনরেল কেনেথ মেক কেঞ্জিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অফঘানিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমদি মখোয়গী ফোর্সশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। টালিবাননা লেপ্পা লৈতনা এটেক চথদুনা অফঘান লৈবাক পুম্বা মখোয়না কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরি হায়বসি খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুমওইনমক য়ু এসনা টালিবানগী মঙলান অদু কৈদৌনুংদা মঙফাওনহল্লোয়।

ওগষ্ট থাগী অরোইবা ফাওবদা অফঘানদগী ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোক্কনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লৈবাক অসিদগী ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকখ্রবসু অফঘান এয়র ফোর্সতা য়ু এস মিলিটরিনা মতেং পাংবগী থবক্তি মখা তানা অদুমক চথখিগনি হায়রি।

অমরোমদা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অফঘান ক্রুপশিংদা য়ু এস ফোর্সশিংনা মতেং মপুং ফানা পাংখিদবনা মরম ওইরগা টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুদা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংদা য়ু এসনা মখা তানা মতেং পাংখিগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

# মালিগী প্রসিদেন্ট হাৎনবা হোৎনরম্বগী মরালদা ফাখিবা মীওই কষ্টদিদা শিরে

বামাকো, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
মালিগী ইন্তরিম প্রসিদেন্ট অসিমি গোইতা হাৎনবা হোৎনরম্বগীদমক পুলিসনা ফাদুনা কষ্টদিদা থম্লকখিবা মীওই অমা ঙসি শিরে হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।



লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মশক মমিং মীয়ামদা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বমাকোদা লৈবা গ্রান্দ মোস্ক অমদা লাইশোন তিনশোনগা মরী লৈননা চথখিবা থৌওং অমদা শরুক য়াখিবা গোইতাবু থাঙনা এটেক চথদুনা হাৎনবা হোৎনখিবগীদমক মীওই অনী ফাজিন্দুনা থম্লকখিবনি। কষ্টদিদা লৈরবা মতুং মখোয় অনী পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথদুনা লাকখিবনি।

ঙরাং পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথরিঙৈদা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকখি। মদুগী মতুং মহাক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখিবনি। অদুমওইনমক মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদকা মরী লৈননা লাই খুরুম্বগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইন্তরিম প্রসিদেন্ট গোইতেদা নহা ওইরিবা মীওই অনীনা থাঙনা এটেক চথরকখিবনি। গোইতেগী সিক্যুরিটিশিংনা খুদক্তা মহাকপু মফমদুদগী পুথোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অঙৌবা ফুরিৎ অমসুং জিন খোঙ্গাও শেৎপা মীওই অনী অদু ফাখিবনি। মখোয় অনী ফারবা মতুং মরী লৈনবা জুদিসিয়েল ওথোরিটিশিংগী মমাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পুথোকখিবা লৈত্রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং অমদি মরমদা মীয়ামদা ফোঙদোরকপা লৈত্রবসু কম্মিস্নার সাদিও তোমোদানা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু ওজাগী শিনফম পায়রিবা মীওই অমনি। করি মরমগীদমক মহাক্না প্রসিদেন্ট হাৎনবা হোৎনখিবনো হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অমরোমদা প্রোজিক্যুটরশিংনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইনক্বাইরি চথবগী থবক হৌখ্রে। কষ্টদিদা লৈরিবা য়াম্না মরু ওইবা মীওই অমা মরম চাদনা শিবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীশি অসিগী মতাংদা অশেংবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি। অমরোমদা মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন গোইতানা কু তৌদুনা মালিদা পৱার পায়শিনখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই কয়ানা খোঙজং চঙশিনবগী থৌদোকসু থোকখ্রবনি।

# অর্জেন্টিনাগী খা থংবদা লৈবা লেগুন অমা পোলুসননা মরম ওইরগা অরংবা লৈ মচু ওনবা হৌরকখ্রে: এক্সপার্টশিং



ত্রেল্যু, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
অর্জেন্টিনাগী খা থংবা পটাগোনিয়া রিজনদা লৈবা অপিকপা ঈথৎ অমা (লেগুন) পোলুসননা মরম ওইরগা ঈশিং শীজিন্নবা য়াখিদবগা লোয়ননা অরংবা লৈ মচু ওনবা হৌরকখ্রে হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পোলুসন অদু খাজিং লীদুনা থন্বদা শীজিন্নবা কেমিকেল অমনা মরম ওইরগা থোকহল্লকখিবনি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।

এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঈশিং মচু ওল্লক্লিবা অদু সোদিয়ম সলফাইটনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপনি। হায়রিবা কেমিকেল মখল অসি ফেক্তরিশিংদা ঙা লীদুনা থন্বদা শীজিন্নবা অমনি। ঈথৎ মচা অসিদা নত্তনা মসিগী মনাক্তা চেল্লিবা তুরেলগী মনম নমথিরকখিবা অদুগী মতাংদা মনাক নক্লা তারিবা মীওইশিংনা মরী লৈনবশিংদা কমপ্লেন কয়ারক তৌবা লৈখ্রে। অদুমওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা হৌজিক ফাওবদা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা লৈত্রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইনভাইরোনমেন্টেল এক্তিভিটিষ্ট পাব্লো লদানা ফোঙদোকখিবদা ঈশিংদা পোলুসন থোকহল্লক্লিবা অসি লৈঙাক্লা মতম চানা য়েংশিনদবননি। হৌখিবা চয়োলদা ঈথৎ মচা অসিগী ঈশিংগী মচু ওনবা হৌরকখিবনি। ঈথৎ মচা অসিদগী কিলোমিটর ১,৪০০ রোম চৎলগা লৈবা ত্রেলিয়ু সিটিদগী এক্তিভিষ্ট লাদানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মচু ওল্লবা ঈশিং অদুগী সেম্পল লৌদুনা ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্টশিংনা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে।

লৈবাক অদুগী অচৌ অচৌবা ফেক্তরিশিংদগী পুথোরকপা অরেমখাকশিং অদুমফম চানা লংথোক্তুনা মাঙহনবগী মহুত্তা কোর্ফো লেগুনদা হৈথবগী থবকশিং তৌবনা মরম ওইরগা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরকখিবনি। মসিদা লৈঙাক্না তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি।

# রসিয়ানা য়েক্লবশিংবু লায়না দিটেক তৌবা ১দি ঙাকথোকপা ঙম্লোইদবা এটেকশিং চথবা ঙম্মী

মোস্কো, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
মমাং চয়োলদা য়ু কেগী ৱারসিপ অমনা কৃনিয়া পেনিনসুলা ফাওদুনা চৎখ্রবা মতুং মোস্কোনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা রসিয়া নেভিনা পাম্লবদি য়েক্লবা খুদিংমক দিটেক তৌবা ঙমগনি অমদি ঙাকথোকপা ঙম্লোইদবা এটেকশিং ফাওবা চথবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখিবদা মোস্কোনা ঈশিং মনুং, ঈশিং মথক অমদি নোংথক্কী ওইবা শরুকশিংদা য়েক্লবনা চথরকপা থবক খুদিংমক ইরাই লায়না দিটেক তৌবা ঙমগনি অমদি য়েক্লবশিংনা ঙাকথোকপা ঙম্লোইদবা মওংদা এটেক চথবসু ঙমগনি হায়রি। মমাং থাদসু ব্লেক সিদা ইলিগেল ওইনা চঙশিল্লকখিবা বৃটিশ ৱারসিপ অমা মফমদুদগী চখোকখিনবগীদমক ৱার্নিং সোটশিং কাপখি অমদি মখোয়না লাক্কদবা লম্বীশিংদা বোমশিং থাদখি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুমওইনমক য়ু কেগী মায়কৈদগীদি মোস্কোনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রসিয়ানা য়ু কে ৱারসিপ তম্না ৱার্নিং সোট অমত্তা কাপলকখিবা লৈতে অমদি ইন্তরনেসনল লোগী মতুং ইন্না ব্লেক সিদা মখোয়না চঙশিনখিবনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 194,802,376 | +428,245 | 4,174,999 | +6,899 | 176,750,984 | 13,876,393 |
| 1 | USA | 35,199,465 | +13,818 | 626,762 | +49 | 29,511,909 | 5,060,794 |
| 2 | India | 31,409,639 | +38,153 | 420,996 | +411 | 30,571,399 | 417,244 |
| 3 | Brazil | 19,688,663 | +18,129 | 549,999 | +499 | 18,349,436 | 789,228 |
| 4 | Russia | 6,126,541 | +24,072 | 153,874 | +779 | 5,490,634 | 482,033 |
| 5 | France | 5,993,937 | +15,242 | 111,622 | +6 | 5,675,383 | 206,932 |
| 6 | UK | 5,697,912 | +29,173 | 129,158 | +28 | 4,450,204 | 1,118,550 |
| 7 | Turkey | 5,601,608 | +14,230 | 50,934 | +55 | 5,421,148 | 129,526 |
| 8 | Argentina | 4,846,615 | +7,506 | 103,721 | +137 | 4,493,984 | 248,910 |
| 9 | Colombia | 4,727,846 | +11,048 | 118,868 | +330 | 4,487,973 | 121,005 |
| 10 | Italy | 4,317,415 | +4,743 | 127,949 | +7 | 4,123,209 | 66,257 |
| 11 | Spain | 4,280,429 | | 81,221 | | 3,683,457 | 515,751 |
| 12 | Germany | 3,763,002 | +1,152 | 92,037 | +1 | 3,644,900 | 26,065 |
| 13 | Iran | 3,691,432 | +27,146 | 88,800 | +268 | 3,256,856 | 345,776 |
| 14 | Indonesia | 3,166,505 | +38,679 | 83,279 | +1,266 | 2,509,318 | 573,908 |
| 15 | Poland | 2,882,146 | +82 | 75,242 | +1 | 2,653,279 | 153,625 |
| 16 | Mexico | 2,741,983 | +15,823 | 238,316 | +362 | 2,140,327 | 363,340 |
| 17 | South Africa | 2,377,823 | +9,718 | 69,775 | +287 | 2,158,183 | 149,865 |
| 18 | Ukraine | 2,248,450 | +286 | 52,847 | +12 | 2,184,195 | 11,408 |
| 19 | Peru | 2,104,394 | +1,490 | 195,890 | +95 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,843,521 | +4,584 | 17,800 | +4 | 1,664,425 | 161,296 |
| 21 | Czechia | 1,672,472 | +130 | 30,357 | | 1,639,160 | 2,955 |
| 22 | Chile | 1,609,177 | +1,428 | 35,026 | +68 | 1,563,280 | 10,871 |
| 23 | Iraq | 1,552,648 | +9,147 | 18,287 | +55 | 1,411,029 | 123,332 |
| 24 | Philippines | 1,548,732 | +5,456 | 27,224 | +93 | 1,467,243 | 54,265 |
| 25 | Canada | 1,426,215 | +228 | 26,547 | +3 | 1,395,031 | 4,637 |
| 26 | Bangladesh | 1,164,635 | +11,291 | 19,274 | +228 | 998,923 | 146,438 |
| 27 | Belgium | 1,113,465 | | 25,220 | | 1,055,844 | 32,401 |
| 28 | Sweden | 1,096,799 | | 14,615 | | 1,074,735 | 7,449 |
| 29 | Romania | 1,082,292 | +109 | 34,268 | +1 | 1,047,246 | 778 |
| 30 | Malaysia | 1,013,438 | +17,045 | 7,994 | +92 | 844,541 | 160,903 |
| 31 | Pakistan | 1,004,694 | +2,819 | 23,016 | +45 | 925,958 | 55,720 |
| 32 | Portugal | 953,059 | +2,625 | 17,292 | +8 | 881,570 | 54,197 |
| 33 | Japan | 865,425 | +3,341 | 15,124 | +8 | 814,024 | 36,277 |
| 34 | Israel | 860,652 | +1,254 | 6,460 | +2 | 842,992 | 11,200 |
| 35 | Hungary | 809,101 | | 30,020 | | 745,277 | 33,804 |
| 36 | Jordan | 764,983 | +1,061 | 9,963 | +15 | 746,960 | 8,060 |
| 37 | Serbia | 720,112 | +199 | 7,104 | +1 | 709,990 | 3,018 |
| 38 | Switzerland | 712,668 | | 10,903 | | 691,377 | 10,388 |
| 39 | Nepal | 680,556 | +1,539 | 9,713 | +18 | 643,615 | 27,228 |
| 40 | UAE | 671,636 | +1,528 | 1,920 | +4 | 649,173 | 20,543 |
| 41 | Austria | 656,270 | +332 | 10,731 | | 640,951 | 4,588 |
| 42 | Morocco | 579,272 | +4,110 | 9,589 | +30 | 543,603 | 26,080 |
| 43 | Tunisia | 569,289 | +5,359 | 18,600 | +231 | 460,361 | 90,328 |
| 44 | Lebanon | 555,302 | +844 | 7,892 | +1 | 536,111 | 11,299 |
| 45 | Kazakhstan | 529,269 | +6,631 | 5,382 | +75 | 446,996 | 76,891 |
| 46 | Saudi Arabia | 518,143 | +1,194 | 8,167 | +12 | 499,129 | 10,847 |
| 47 | Thailand | 497,302 | +15,335 | 4,059 | +129 | 334,693 | 158,550 |
| 48 | Ecuador | 480,720 | | 30,797 | | 443,880 | 6,043 |
| 49 | Greece | 475,919 | +1,553 | 12,874 | +8 | 431,917 | 31,128 |
| 50 | Bolivia | 467,975 | +632 | 17,637 | +24 | 399,649 | 50,689 |

# ইটালিনা য়ুরোপতা ফায়র ফাইটর প্লেনশিং মতেং পাংনবা হায়জখ্রে

মিলন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
ইটালিগী মনুং চনবা সার্দিনিয়া আইলেন্দদা অকনবা মওংদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংনা ফায়র ফাইটর এয়রক্রাফটশিং মতেং পাংনবগীদমক ইটালিনা হায়জখ্রে।

ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর লুইগি দি মাইয়োনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিনা য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংদা তেংবাং পীনবগীদমক হায়জখিবনি। মাংজৌননা তেংবাং খরা পীরকপা লৈখ্রে। ফ্রান্সতগী এয়র ক্রাফট অনীসু মৈ চাকপা অদু মুথৎপদা মতেং পাংনবগীদমক ইটালি তম্না পাইরকপা হৌখ্রে।

ওরিষ্টানো প্রোভিন্সতগী অকনবা মৈ অদু চাকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মফমশিংদসু খঙহৌদনা শন্দোরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈ মরোং থাবা মফম কয়া মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা শা কয়া মৈনা চাক্তুনা শিহনখ্রে। আইলেন্দ অদুগী মনাক নক্লা লৈবা য়ুম খরা থৌদোক অদুদা অমাং অতা থোকহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীশি মীনা থোকহনবগী পাউদি লৈত্রি।

অদুমওইনমক মীওই ৪০০ রোম মশা মশাগী ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ওরিষ্টানো এরিয়াদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা কনাদিয়ান এয়রক্রাফট ৭, এমফিবিয়স প্লেনশিং শীজিন্নরি। ওরিষ্টানোগী খা থংবা শরুক্তা মৈ অদুনা কা হেন্না চৈথেং পীবগী রিপোর্ট লাকখ্রে। সর্দিনিয়া রিজনগী প্রসিদেন্ট খৃষ্টিয়ান সোলিনাসনা ফোঙদোকখিবদা খঙহৌদনা চাক্লকখিবা মৈ অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুগী অকোয়বশিং চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। মসি য়াম্নমক লাইবকথিবা থৌওং অমনি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ো দ্রাঘিগা উন্নদুনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুগী মতুং ইন্না য়ুরোপ ষ্টেটশিংদা ফায়র ফাইটর প্লেনশিং মতেং নীনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা মৈনা মাঙহন তাকহনখ্রবা উমংশিং অদু অমুক হন্না করম্বা মওংদা হিংগৎহনগদগে হায়বদুগী মতাংসু য়াম্না কুপ্না খন্নখি হায়রি।

# লন্দনদা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখ্রে



লন্দন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
বৃটিশ কেপিটেল লন্দনগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও থোরকপদগী মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখিবগা লোয়ননা লম্বীদা বস অমদি কার কয়া থৌবা য়াদবদগী খামদুনা লৈরি হায়না ইমর্জেন্সি সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

লন্দনগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা হৌজিক থোক্লিবা ঈচাও অদুনা চৈথেং পীরকপা য়াবশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ইমর্জেন্সি সার্ভিসনা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না লন্দনগী মেয়র সাদিত খাননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস খুদিংমক ঈচাওনা মরম ওইরগা লেপখ্রে হায়রি।

ইংলেন্দগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌজিক হৌজিকসু অকনবা নোং চুরবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না মেটিওরোলোজিকেল ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা মীয়ামদা খঙহনখি। পুলিসনা লন্দনগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ক্যুইজ টাউন রোদ ষ্টেসনগা নক্লনা লৈবা লম্বী অমসু থিংজিন্দুনা থমখ্রে। অমরোমদা ঈচাও অদুনা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরকপা য়াবনা মরম ওইবনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শাফগদবা মফমদা লৈননবগীদমক খঙহল্লক্লি।

# টালিবান ফাইটরশিংনা মখোয়গী থৌওংশিং মখা তানা চথরবদি অফঘানদা কা হেন্না মীশি মীনা থোক্লককখিগনি



কাবুল, জুলাই ২৬ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টান মনুংদা টালিবান ফাইটরশিংনা মখল মখা কয়াগী লাল্লোং চথদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা থবক থৌওংশিং অসি খুদক্তগী লেপত্রবদি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অরেম্বদা শিহল্লবা য়ানা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী য়েংলগা টালিবানগী খোঙজং খুদক্তগী লেপক্কদবনি হায়রি।

হৌখিবা মে থাগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা টালিবান ফাইটরশিং অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেকশিং চথদুনা লাকখিবনি। মে থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা য়ু এস অমদি নেটো ক্রুপশিং লৌথোকখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা টালিবান ফাইটরশিং লেপ্পা লৈতনা এটেক চথদুনা অফঘান পুম্বা মখোয়না কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবাননা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাবা মথৌ তারি। চহী অসিগী অহৌবদগী হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,৬৫৯ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ৩,২৫৪ অশোক অপন নংহনখ্রে।

মমাং চহীগা য়েংনরুবদা হন্দক চহীনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন নংহনবগী চাং অসি চাদা ৪৭ কী চাংদা হেনগৎলক্লি হায়না য়ু এন এসিষ্টেন্টস মীসন ইন অফঘাননা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৬৪ দি এন্টি গভর্ণমেন্ট ইলিমেন্টশিংনা থোকহনখিবনি হায়রি।